**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 18-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সোসিএল ৱেলফেয়র মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়রি- মণিপুর অসি মশাগী নাৎ-চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোল মতিক চানা লৈজবা মতিং লৈবা লমদম অমনি।

২) মণিপুর পুলিস লিংখৎখিবা ১৩৩ শুবা রেজিং ডে হয়েং অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

৩) নেসনেল দেমোক্রেসি ডে-মনিপুর ঙসি ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

৪) রাজ্য অসিদা এ.দি.সি মীখল অথুবা মতমদা পাঙথোক্লুনা অনৌবা মীহুৎশিং খন্ননবা এম.পি.সি.সিনা দাবী তৌরি।

অমসুং

৫) ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী নোটিফিকেসন ঙসি থোকখিবগা লোয়ননা মীরেপচে পীশিন্নবা য়ারে।

------

ৱারী (এল)ঃ লাইনিংথৌ সনামহি তেম্পল বোর্ডনা শিন্দুনা নুমিৎ ১১ নি চৎথগদবা মীতৈ পুয়া ৱারি লিবা চাংদমবা ঙসিদগী ইম্ফালগী হয়িং খোঙবাল উফোং য়ুমফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি সংলেন্দা হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা সোসিএল ৱেলফেয়র মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা হায়- মণিপুর অসি মশাগী নাৎ-চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোল লৈজবা লমদম অমনি। মসিগী মথক্তা শান্ন-খোৎনবগী লমদসু লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারি।

চাংদমবা অসিদা নুপী অনি য়াওনা ৱারী লিবা মীওই ৩৯ না শরুক য়াগনি।

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিস লিংখৎখিবা ১৩৩ শুবা রেজিং ডে হয়েং অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেদ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা দি.জি.পি. মনিপুর ট্রোফি ফোর ভেষ্ট পুলিস ষ্টেসন-২০২৪, দি.জি.পি. এৱার্ড ফোর ভেষ্ট পুলিস ওফিসার-২০২৪, দি.জি.পি. ট্রোফি ফোর ভেষ্ট বটালিয়ন ২০২৪ গী মনাশিং য়েন্থোক্কনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লমফেল পুলিস ষ্টেসনদা দি.জি.পি. মনিপুর ট্রোফি ফোর ভেষ্ট পুলিস ষ্টেসন-২০২৪ গী মনা পীগনি।

অনিশুবা খ্বাইদগী ফবা পুলিস ষ্টেসনগী মনানা জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন অমসুং চুরাচান্দপুর ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনদা পীরগনি। অহুমশুবা মনানা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসন অমসুং বিষ্ণুপুর পুলিস ষ্টেসনদা পীরগনি।

দি.জি.পি. এৱার্ড ফোর ভেষ্ট পুলিস ওফিসার-২০২৪ গী মনানা বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনগী এস.আই. এল. সরজ্‌বালা অমসুং উখ্রুল জিলাগী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনগী এস.আই. ভাশুম মিনাদা পীরগনি।

দি.জি.পি. ট্রোফি ফোর ভেষ্ট বটালিয়ন ২০২৪ না অহানবা বটালিয়ন মনিপুর রাইফলসতা পীরগনি। অনিশুবা খ্বাইদগী ফবা বটালিয়ননা ৮ শুবা অমসুং অনিশুবা মনিপুর রাইফলস বটালিয়নদা পীরগনি। অহুমশুবা খ্বাইদগী ফবা বটালিয়নগী মনানা খাবৈশোইদনা লৈবা ৮ শুবা আই.আর.বি. বটালিয়ন অমসুং খোংজারোলদা লৈবা মঙাশুবা মনিপুর রাইফলস বটালিয়নদা পীরগনি।

এসেমব্লি (এল)ঃ ৭৫ রক শুবা অহানবা এশেমব্লিগী মীফম অমসুং মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লি ম্যুজিয়ম অমসুং আরকাইভস লিংখৎখিবগী ৬ লক শুবা কুমওন থৌরম ঙসি চিংমৈরোংদা লৈবা মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী বঙ্কেত হৌলদা পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ অসিগী মরি লৈননা সোভেনিয়র অমসু

ফোঙখি। থৌরম অসিদা লেকচর সেরিজ অমসু পাঙথোকখি।

ডে (এল)ঃ     নেসনেল দেমোক্রেসি ডে-মনিপুর ঙসি ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী হীরমদি-ফোর এ কম্মন পোলিটিকেল ফ্যুচর হায়বসিনি। থৌরম অসি ইন্দিজিনেস পিপলস ওর্গনাইজেসন মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা থবক্তগী পোত্থরবা আই.এ.এস. আর.কে. নিমাই, মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ইকোনোমিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার-সি.ঐচ. প্রিয়োরঞ্জন সিংহ, মীতৈ ত্রাইব য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন-মুতুম চুরামনি অমসুং এম.য়ুগী লো দিপার্টমেন্টকী হেদ-ডা: য়ুমাম প্রেমানন্দনা রিছোর্স পাসন ওইনা শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ   অসাম রাইফলসনা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিং থিংননবগী পান্দমদা বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনাম খুল অমসুং জিলা অসিদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংগী অকোইবদা কাঙ হিদাক কাপথোকখ্রে। মসিগী মথক্তা মীয়ামদা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাদগী করমা ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদসু খঙহনখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী এল. কোইরংদা এক্স-সার্ভিসমেনশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা মখোয়গী য়াইফ থৌরাংগী মতাংদসু খন্নখি।

নিউজ (এল)ঃ   অকাশবানি ইম্ফালগী নুংতিগী শন্দোক্লিবা এফ.এম. হেলাইন্স পাউগী মতমদা অহোংবা খরা লৈরগনি। মদুদি- অয়ুক পুং ১০ মখায়, নুংথিল পুং ১ মিনিত ১০ অমসুং নুংথিল পুং ২ মখায় অমসুং নুংথিল পুং ৩ মিনিত ২৮ দা ওইরগনি।

অদুমওইনমক, অয়ুক পুং ৮ মিনিত ৩৫ অমসুং অয়ুক পুং ৯ মিনিত ২৮ হেদলাইন্সতদি অহোংবা লৈরোই। অনৌবা মতম অসি লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ ওক্তোবর ২১ দগী চৎনবা হৌরগনি।

কংগ্রেস (এল)ঃ হন্দক্তা কেয়ার টেকর ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ.দি.সি)না মীওই ২০ না শাবা টেম্পররি কাউন্সিল অমা শেম্বা অমদি মসিগী মনুংদা হৌজিক এ.দি.সি মেম্বর ওইনা থৌ পুরিবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমদা হৈথোই শিংথোইবা মীওইশিং খনগৎতুনা থবক তৌহনবগী লৌখিবা ৱারেপ অদুবু মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ঙসি ইম্ফালগী বি.টি. রোদতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এম.পি.সি.সিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ভিক্তর কৈসিংনা হায়- এ.দি.সি মীখল অথুবা মতমদা পাঙথোক্তুনা অনৌবা মীহুৎশিং খনগদবনি। হৌজিক থৌ পুরিবা এ.দি.সিশিং মখা তানা শাংথনা থবক তৌহন্দনবসু হায়রি।

কেন্সর (এল)ঃ মণিপুর ওনকোলোজি সোসাইতি অমদি রেদিয়েসন ওনকোলোজি ওফ ইন্দিয়া, এন.ই. চেপ্তর অনিনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী খাবৈশোইদা লৈবা ববিনা স্পেসিয়েলিতি হোস্পিতালদা ১৮ শুবা চহিগী মীফম হৌখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা রেদিয়েসন ওনকোলোজিগী সেনিয়র কন্সলটেন্ট ডাঃ থাউদেম তোমচানা হায়- নুমিৎ হুমি চুপা চত্থগদবা থৌরম অসিদা কেন্সর লায়নাগী মতাংদা খঙমিন্নবা অমদি লায়না অসি করমা লায়েংলগদি হেন্না ফগনি হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া খন্ন-নৈনগনি। মহাকা হায়- মালেমগী ওইনা কেন্সর লায়না অসি হেনগৎলকপদগী অসিগুম্বা মীফম অসি ইং ২০০5 দগী হৌদুনা চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা কন্সলটেন্ট ১৬ লোমনা শরুক য়াদুনা লায়না অসিগী অনৌবা লাইওং কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি।

ফিজিকেল (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ফিজিকেল ইজকেসন এন্দ স্পোর্টস সাইন্স বিভাগনা শিন্দুনা ঙসি ফিল্ড ৱার্ক কম কম্ম্যুনিতি এক্সটেন্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। বিভাগ অসিগী একাদমিক প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা থৌরম অসি ককচিংগী ইন্দোর ষ্টেদিয়ম, রিলিফ কেম্প অমদি আই.আর.ই ৱাংজিংদা হাংদোক্লিবা মহৈরোইশিংগী রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অসিদা

দিপার্টমেন্ট অসিগী হেদ, প্রোফেসার এল. থন্বাল লৈচিং মখাদা এসোসিয়েট প্রোফেসার ডাঃ এম. নোদিয়াচান্দ সিংহনা লুচিংদুনা মহৈরোইশিং অমদি ওজাশিং য়াওনা চথখিবা কম্ম্যুনিতি এক্সদেন্সন প্রোগ্রাম অসিদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ইনমেটশিং অমদি মহৈরোইশিংদা ৱাখল শোন্থদনা লৈনবা ৱাফম কয়া থমখি অমদি চান থকবা পোৎলমশিং য়াওনা মহৈরোইশিংগীদমক বোই,কলম, পেন্সিলনচিংবা য়েন্থোকখি।

আয়ুস (এল)ঃ নেচরোপেথি অমসুং যোগাগী মতাংদা অৱাং নোংপোক লমদমদা আয়ুস লায়েং চথুরিবশিংগী ওইবা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোনসম লৈকাইদা লৈবা খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিদা হৌখ্রে।

কেন্দ্রগী আয়ুস মন্ত্রালয়গী নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ নেচরোপেথি অমসুং খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিগা পুন্না শিনদুনা নেচুরোপেথি অমসুং যোগাগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা থৌরম অসিদা য়ান্ন-ৱারোল কয়ামরুম সহি তৌনখি। মসিগা লোয়ননা টেকিকেলগী সেসনদা অখঙ অহৈশিংনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা ৱা ঙাংখি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার-এন. জয়কুমার সিংহ, নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ নেচুরোপেথি-পুনেগী দাইরেক্তর প্রোফেসার-কে. সত্যলক্সমি, রাজারশি কলেজ ওফ এদুকেসন এন্দ স্কিল-বাগবারি অগরতালাগী দাইরেক্তর অমসুং খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিগী দাইরেক্তর অমসুং দিন-ডা: এ. গুনেশ্বর শর্ম্মনচিংবা শরুক য়াখি।

এৱার্দ (এল)ঃ আর্টতা কৎথোক্লবা থৱায় হায়বা লৈখিদ্রবা এলাংবম বিরকুমার সিংহ নিংশিং মনা অহানবা ওইনা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ লোইতোংবম ব্রজমোহন সিংহ, সেনিয়র দিরেক্তর রুপমহল থিয়েটরদা পীরগনি। মনা অসি খুঙ্গং অমসুং সহরগী মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা থিয়েতরবু পামজবা মীওইশিংদা

মতেং পাংদুনা থিয়েতরবু চাওখৎনবা হোৎনবা মীওইশিংদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা এৱার্দ অসি পীগদবনি হায়রি।

থাং তা (এল)ঃ  বিষ্ণুপুর জিলাগী লমজিং মৈরা মহৈকোল সাইতোনদা থাং তা মহৈ কাংলোন তাকপী তন্বীবা থৌরম অমা ঙসি হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অসিদা অপুনবা মণিপুর হুইয়েন লাল্লোং লুপ অমদি অখণ্ড অহৈ কয়াসু শরুক য়াখি।

নোনে (এল)ঃ  নেসনেল তোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা নোনে জিলাগী কোওর্দিনেসন কমিতিগী মীতিং অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি নোনেনা শিনবনি। মীফম অদুদা নোনে জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ জ্যানথুইলুং কামৈ শরুক য়াখি।

তোবেকো (এল)ঃ  দিষ্ট্রিক্ট তোবেকো কন্ত্রোল সেল ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলানসু নেসনেল তোবেকো কন্ত্রোল প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা নোংমগী ওইবা স্কুল এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ৱাংগোইগী ইরমসিফাইদা লৈবা থম্বাল লৈমা হাইস্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হিদাক মনা শিজিন্নবনা হকচাং শোকহনবা অমদি মসিগা মরী লৈনবা আইনশিংগী মতাংদা মহৈরোইশিংদা নিংথিনা খঙহনখি। তুংদা, স্কুল অদুগী ওজা অমদি মহৈরোইশিংনা হিদাক মনা শিজিন্নদনবা ৱাশক লৌখি।

বোম (এল)ঃ  এম.আই.এসকী হান্নগী দিরেক্তর লাইশ্রম বাদলকুমারগী তোপ খোঙনাংখোঙদা লৈবা য়ুমদা শকখঙদবশিংনা বোম লংশিল্লম্বগী থৌওং য়ানিংদবা ফোংদোক্লুনা ৱিমেন দিভলপমেন্ট কমিতি তোপ খোঙনাংখোঙ অমদি দ পাব্লিক ক্লবনা পুন্না শিন্দুনা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। মীফম অদুদা য়ুম্লক্তা বোম লংশিনবা য়ানিংদে অমদি মীয়ামদা অকি অখঙ থোকহনবীগনু হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

সিনেমা (এল)ঃ মণিপুরী ফিচর ফিলম মতমগী মণিপুরগী দিরেক্তর দেবকুমার বোসনা লৈখিদবা মণিপুর ষ্টেট ফিলম দিভলপমেন্ট সোসাইতিনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। সোসাইতি অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- দেবকুমার বোসনা অঙনবা মতমদা মণিপুরী সিনেমাবু চাউখৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌরমখি। মহাকা লৈখিদবা অসি মণিপুরী সিনেমাগী ওইনা অচৌবা মাংজবা অমনি।

দেঙ্গি (এল)ঃ মনিপুরদা দেঙ্গিগী কেস লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। রাজ্য অসিদা দেঙ্গিগী কেস পুন্না লিশিং ১,৫৩০ য়ৌরে। ইম্ফাল ৱেষ্টতগী অহুম, বিষ্ণুপুর জিলাদগী অমা পুন্না মীওই মরি লৈখিদ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা দেঙ্গিগী কেস লিশিং ১,০৭৬, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ৩১২, বিষ্ণুপুরদা ৪৯, থৌবালদা ৪৬, চান্দেলদা মরি, ককচিংদা ২৫, কাংপোকপীদা ৬, নোনেদা অহুম, সেনাপতিদা অহুম, উখ্রুলদা অহুম, তমেংলেংদা অনি অমসুং কামজোংদা কেস অমা লৈরি।

মীখলঃ ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্কী নোটিফিকেসন ইলেক্সন কম্মিসননা ঙসি থোকখিবগা লোয়ননা মীরেপচে পীশিন্নবা য়ারে। তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ৪৩ গী ভোট মথং থাগী ১৩ দা থাদনগনি। মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৫ নি। মীরেপশিংনা মাগী মাগী মীরেপ চেশিং অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং অহুম ফাওবদা পীশিনগদবনি। স্ক্রুতিনিনা থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ৩০ দা মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনি।

অনিশুবা তাঙ্কক্তা বিধান সভা কেন্দ্র ৩৮ গী মীখল মথং থাগী ২০ দা পাঙথোক্কনি। ভোট মশিং মথং থাগী ২৩ থিগনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি রসিয়াগী কাজানদা পাঙথোক্কদবা ১৬ শুবা ব্রিক্স মীফমদা শরুক য়াননবা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা থা অসিগী ২২ ভারত থাদোক্লগনি। মীফম অসিগী হিরমদি মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা অমগা

অমগা তেংবাংনদুনা চাউখৎপা পুরকপনি। মীফম অসিদা ব্রিক্সনা লৌখৎলকপা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা য়েংশিনগনি অমদি মদুদা থেংনবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদসু খন্নগনি। মীফম অসিগী মনুংদা শ্রী মোদি ব্রিক্স লৈবাক্কী লুচিংবশিংগা তোঙান্না উন্নদুনা ৱাফম কয়াসু খন্নগনি হায়রি।

স্কিম ঃ লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফত্তবা মহৈরোইশিংদা স্কুল ইজ্‌কেসন লোইশিন্নবা পীবা নেসনেল মিন্স কম মেরিৎ স্কোলারসিপ স্কিম অসিগী খুদোংচাবা লৌনিংবা মহৈরোইশিংনা থা অসিগী ৩১ ফাওবা নেসনেল স্কোলারসিপ পোর্তেলদা এপ্লাই তৌবা য়ারগনি। স্কিম অসি মহৈরোইশিংনা ক্লাস তুয়েল্ব ফাওবা শুকশোই শোইদনা তমবা কেন্দ্র সরকারনা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি। স্কোলারসিপ অসিদা মহৈরোই অমনা চহি অমদা লুপা লিশিং ১২ ফাওবা ফংগনি।

মেলাঃ নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ রুরেল দিবলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজনা খুঙ্গংগী লমদা প্‌থোকপা পোৎথোকশিং লৈবাক শিনবা থুংনা খঙহন্নবগী পান দমদা অহুমশুবা এদিসনগী সারস আজিবিকা মেলা-২০২৪ হরিয়ানাগী গুরুগ্রামদা লৈবা লেজর ভেল্লিদা ঙরাংদগী চত্থবা হৌখ্রে।

মেলা অদুদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্যদগী খুঙ্গংগী নুপীশিংনা শরুক য়ারি। মনিপুরগী খুঙ্গংশিং য়াওনা অতৈ রাজ্যগী খুঙ্গংশিংদগী পুন্না নুপী ৯০০ হেনবনা শরুক য়ারিবা মেলা অসিদা পুন্না স্তোল ৪৫০ হাংদোক্লি।

বাস্কেটবোল (এল)ঃ মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসন্না শিনবা ২৮ শুবা য়ুথ বোইজ এন্দ গার্লস ষ্টেট বাস্কেটবোল চেম্পিয়নসিপ ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নহাবম বাস্কেটবোল কোর্টতা হৌখ্রে। ঙসি তুরনামেন্ট অসি হৌদোকপগী অহানবা মেটচতা ই.এস.য়ু ৱাংখৈনা সি.ৱাই.এল.সি চীংঙামখাবু পাঞ্জল ৫৭-৪১ দা মায়থিবা পীখি।

সোফ বোল (এল)ঃ ৩৭ শুবা নুপা মচা অমসুং নুপীমচাগী সব জ্নিয়র নেসনেল সোফট বোল চেম্পিয়নশিপ শ্রী নাগরদা মথং থাগী ৮ দগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং খন্নবগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন অমা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লিলোং চজিং কাংজৈবুং গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি। মসিগা মরী লৈননা মণিপুর সোফ বোল এসোসিয়েসনদা এফিলিয়েট তৌরবা ক্লব অমসুং এসোসিয়েসনশিংনা মখোয়না খনগৎলবা শান্নরোইশিংগী মিং থা অসি ২০ ফাওবা পীখৎলকবা খঙহল্লক্লি।

ক্রিকেট (এল)ঃ সাউথ আফ্রিকা আই.সি.সি. ৱিমেন্স টি-টোইন্তি ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল চংলে।

ঙরাং দুবাই ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা সাউথ আফ্রিকানা মমাংগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৮ দা থোইখি। হান্না বেটিং তৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা অপিবা ওভরদা ৱিকেট মঙা তুরগা রন-১৩৪ লৌখি। সাউথ আফ্রিকানা পান্দম অসি ওভর ১৭ বোল অনিদা ৱিকেট অনি তুরগা য়ৌবা ঙমখি।

অনিশুবা সেমি ফাইনেল হৌজিক সরজাদা ন্যুজিলেন্দগা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নরি। ঙসিগী অথোইবা অদুগা সাউথ আফ্রিকাগা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা দুবাইনা ফাইনেল শান্নগনি।

------